ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯳꯱, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ৩১, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ২৯৯শুবা মশীং

ফিরোই য়ৌদ্রিঙৈদা ইলেক্সন লাকপা
য়াইরোংনা য়াইরোং, শবিরাইনা শবিরাই তাদৌরিব্রা

হৌজিক য়ুনিয়ন লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা মহাক্কী অনীশুবা লৈঙাক্কী মতম লোইশিল্লক্লবনিনা মহুৎ শিন্ননবা অনৌবা লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্কদৌরে। পাঙথোকসনু, জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দা মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইখিবদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবনি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসি লৈঙাক্কী মচৎনি। লৈঙাক হায়বসিদি শরক শিবা য়াবা নত্তে। নেসনল ইমজেন্সি নৎত্রগা কন্সটিট্যুসনেল ক্রাইসিস থোক্লবা ফাওবদা লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোই মপূ অমদি লৈতবা য়াদে। মপূদুগী শকওং-শাদা অমসুং মথৌদাংদা খরা খেন্নজবগী ৱানি। অদুগা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা লৈঙাকসিগী মতম লোইশিল্লকপদগী মহুৎ শিন্নবগী মীখলনা লাক্লিবা এপ্রিল থাদা পাঙথোক্লগনি হায়বগী ৱাফম লৈরবনি। মীখলসিদা বি জে পি অমুক হল্লকপা-হল্লক্তবা, নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর অমুক হন্না ওইবা নৎত্রগা ওইদবা হায়বদুনা মীখলসিগী রিজল্ট অমসুং বি জে পিগী মনুংগী ওইবা ৱারেপকী মখা পোনগদৌরিবনি। মীখলসি লৈবাকসিগী অখন্নবা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি খরগী এসেমব্লি ইলেক্সনসু নত্তে। পার্লিয়ামেন্টকী মীখলনিনা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিমক্না মীখলসিগী সিট অনীখক্তমক লৈরিবা মণিপুরদসু পাঙথোক্কদৌরিবনি। হোয়, মণিপুরদি মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা চাল্লকপা মৈ মূৎত্রি, চীং অমসুং তম তায়নবা মফমশিং লানফম ওইরি, শরূ ফাওবা ফংদ্রিবা মীওই কয়া লৈরিবগী মথক্তা হৌজিকসু লান শোক্লরিবা মশেল থেংনবা মফমদা অদুম্মক খূৎ থোক্লরি হায়দুনা খরা তপ্পা পাঙথোক্লনবগা হোৎনরক্কদ্রা? ৱাহংসিগী পাউখুমদি পাঙথোক্লগদবা মীখল অসিগী থৌবু অমসুং অরাংফম তূনা ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না লেপচগদবনি। ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম্না অদুগী থাক্তা লৈরবদি মীখল পাঙথোকপা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বা'মসু শোয়দনা লৈরমগনি।

মসিনা লৈবাকসিগী অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ওইবা ৱানি। অদুবু মণিপুরগীসু য়াওনা পাঙথোকপদা মতারে হায়রক্লগসু পাঙথোকসনু। লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরকপা অসুক কুইরবসিগী মনুংদা মণিপুরগী মীয়াম হুপ্না থোরক্তুনা এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্ট মীখলগী মায়োক্তা লেপখিদ্রি, অথিংবা পীখিদ্রি। কনাগুম্বা লন্নাই মীওই নৎত্রগা লূপ খরনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং তান্দুনা শরুক য়ারোই, বোয়কোট তৌরে কায়না হায়খিবগদি য়াওখ্রবা মাল্লে। অদুবু মপূং ওইবদদি মখল খুদিংগী মীখল পূম্নমক্তা ষ্টেটসিগী মীয়াম শরুক য়াদুনা লাকই। অদুবু হন্দক্তি মণিপুর য়াওনা পাঙথোক্কদবা ওইরবদি ষ্টেটসিদি লানফম ওইরিবনিনা মসিগী মীয়ামদি লান নংলি। খরনা রিলিফ কেম্পশিংদা শৈদাংফম লৌরি। খরনা মশা-মশাগী থৱায় য়াওনা মরৈকাই-মখুঙ্গংশিং ঙাক-শেল্লি। তাঙ্গোই ওনখ্রবা য়ুম-কৈ অমসুং লন-থুম কয়া হঞ্জিনজবা ঙমদ্রি। লাননা মরম ওইদুনা মফম খঙখিদ্রবা চহী নৌরিবী নুপীমচা-নুপামচা য়াওনা মীওই কয়াগী মরী-মখোঙ ফংবা ঙমদ্রি। পূম্নমকসিগী মথক্তা ফমুংদা তূপ্লিঙৈদা ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা হিংহাৎ-হিংহাৎ হাৎলম্বা য়াওনা লৈখিদ্রবা মীওই কয়াগী পাঙ্গোংনগা মহুৎ শিন্নদুনা অরোইবা মথৌ-মঙম্নচিংবা পাঙথোক্লখ্রবসু কুম ওল্লকপগী ফিরোই (শম্বৎশরিক) নচিংবদি লৈখিদ্রবা মীওই অমত্তগী পাঙথোক্লদ্রি। মসি পূম্নমক ওইরগসু ইলেক্সনদি ইলেক্সননি, য়াইরোংনা য়াইরোং, শবিরাইনা শবিরাই হায়বদুনি হায়দুনা মীয়াম্না শরুক য়াগদ্রা? নৎত্রগা মমিৎ-মনা তুকথরগা মৱা-মখোলগা নৌথরগা ভোটকী ভিক্ষা নীদুনা থোঙজিন্দা লেপ্লবশিং লুশমদা শুপ্পাই পায়শিল্লগা মখোঙ লৈবাক তাদনবা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ইন্থোকখিগদ্রা হায়বদুদি মীয়াম্না লেপ্লসনু।

ꯐꯤꯔꯣꯢ ꯌꯧꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯂꯥꯛꯄ
ꯌꯥꯢꯔꯣꯡꯅꯥ ꯌꯥꯢꯔꯣꯡ, ꯁꯕꯤꯔꯥꯢꯅꯥ ꯁꯕꯤꯔꯥꯢ ꯇꯥꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ

ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯄꯥꯌꯔꯤꯕ ꯕꯤ ꯖꯦ ꯄꯤꯒꯤ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯅꯔꯦꯟꯗ꯭ꯔ ꯃꯣꯗꯤꯅꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯂꯛꯂꯤꯕ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯃꯇꯝ ꯂꯣꯢꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯅꯅꯕ ꯑꯅꯧꯕ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯦ꯫ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯁꯅꯨ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯶, ꯱꯹꯵꯰ꯗꯥ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯕ ꯔꯤꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗꯥ ꯆꯠꯅꯔꯤꯕ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯃꯆꯠꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯁꯔꯛ ꯁꯤꯕ ꯌꯥꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯅꯦꯁꯅꯜ ꯏꯃꯖꯦꯟꯁꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯁꯅꯦꯜ ꯀ꯭ꯔꯥꯏꯁꯤꯁ ꯊꯣꯛꯂꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯢ ꯃꯄꯨ ꯑꯃꯗꯤ ꯂꯩꯇꯕ ꯌꯥꯗꯦ꯫ ꯃꯄꯨꯗꯨꯒꯤ ꯁꯛꯑꯣꯡ-ꯁꯥꯗꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯊꯧꯗꯥꯡꯗꯥ ꯈꯔꯥ ꯈꯦꯟꯅꯖꯕꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯅꯔꯦꯟꯗ꯭ꯔ ꯃꯣꯗꯤꯅꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯂꯤꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯂꯣꯢꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯗꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯃꯤꯈꯂꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕ ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯊꯥꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯂꯩꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤꯗꯥ ꯕꯤ ꯖꯦ ꯄꯤ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯜꯂꯛꯄ-ꯍꯜꯂꯛꯇꯕ, ꯅꯔꯦꯟꯗ꯭ꯔ ꯃꯣꯗꯤꯅꯥ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅꯥ ꯑꯣꯏꯕ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯑꯣꯏꯗꯕ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤꯒꯤ ꯔꯤꯖꯂꯇ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯕꯤ ꯖꯦ ꯄꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯋꯥꯔꯦꯞꯀꯤ ꯃꯈꯥ ꯄꯣꯅꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯑꯈꯟꯅꯕ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯇꯦꯔꯤꯇꯔꯤ ꯈꯔꯒꯤ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯏꯂꯦꯛꯁꯅꯁꯨ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯃꯤꯈꯂꯅꯤꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯁꯤꯅꯕ ꯊꯨꯡꯅꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯅꯥ ꯃꯤꯈꯂꯁꯤꯒꯤ ꯁꯤꯠ ꯑꯅꯤꯈꯛꯇꯃꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯁꯨ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯣꯌ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯤ ꯃꯃꯥꯡ ꯆꯍꯤ ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯃꯦ ꯳ꯗꯒꯤ ꯍꯧꯗꯨꯅꯥ ꯆꯥꯜꯂꯛꯄ ꯃꯩ ꯃꯨꯠꯇ꯭ꯔꯤ, ꯆꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯝ ꯇꯥꯏꯅꯕ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡ ꯂꯥꯟꯐꯝ ꯑꯣꯏꯔꯤ, ꯁꯔꯨ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯂꯥꯟ ꯁꯣꯛꯂꯔꯤꯕ ꯃꯁꯦꯜ ꯊꯦꯡꯅꯕ ꯃꯐꯃꯗꯥ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯈꯨꯠ ꯊꯣꯛꯂꯔꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯈꯔꯥ ꯇꯞꯄ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯅꯕꯒꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯛꯀꯗ꯭ꯔꯥ? ꯋꯥꯍꯪꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯃꯗꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯗꯕ ꯃꯤꯈꯜ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯊꯧꯕꯨ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯔꯥꯡꯐꯝ ꯇꯨꯅꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯀꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯐ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ (ꯏ ꯁꯤ ꯑꯥꯏ) ꯅꯥ ꯂꯦꯞꯆꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯇꯦꯔꯤꯇꯔꯤ ꯑꯃꯒꯤ ꯂꯣ ꯑꯦꯟꯗ ꯑꯣꯔꯗꯔꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝꯅꯥ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯊꯥꯛꯇꯥ ꯂꯩꯔꯕꯗꯤ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯌꯥꯏ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕ'ꯃꯁꯨ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯂꯩꯔꯃꯒꯅꯤ꯫

ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯇꯦꯔꯤꯇꯣꯔꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤꯁꯨ ꯌꯥꯑꯣꯅꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯗꯥ ꯃꯇꯥꯔꯦ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯒꯁꯨ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯁꯅꯨ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯛꯄ ꯑꯁꯨꯛ ꯀꯨꯢꯔꯕꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯍꯨꯞꯅꯥ ꯊꯣꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯠ ꯃꯤꯈꯂꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯂꯦꯞꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤ, ꯑꯊꯤꯡꯕ ꯄꯤꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯀꯅꯥꯒꯨꯝꯕ ꯂꯟꯅꯥꯏ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯂꯨꯞ ꯈꯔꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯅꯤꯡꯕ ꯑꯄꯥꯝꯕꯁꯤꯡ ꯇꯥꯟꯗꯨꯅꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯔꯣꯢ, ꯕꯣꯌꯀꯣꯠ ꯇꯧꯔꯦ ꯀꯥꯌꯅꯥ ꯍꯥꯌꯈꯤꯕꯒꯗꯤ ꯌꯥꯑꯣꯈ꯭ꯔꯕ ꯃꯥꯜꯂꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯄꯨꯡ ꯑꯣꯏꯕꯗꯗꯤ ꯃꯈꯜ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯇꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯇꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯀꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯟꯗꯛꯇꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯌꯥꯑꯣꯅꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕ ꯑꯣꯏꯔꯕꯗꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯇꯁꯤꯗꯤ ꯂꯥꯟꯐꯝ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯤ ꯂꯥꯟ ꯅꯪꯂꯤ꯫ ꯈꯔꯅꯥ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯁꯤꯡꯗꯥ ꯁꯩꯗꯥꯡꯐꯝ ꯂꯧꯔꯤ꯫ ꯈꯔꯅꯥ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯊꯋꯥꯌ ꯌꯥꯑꯣꯅꯥ ꯃꯔꯩꯀꯥꯏ-ꯃꯈꯨꯉꯒꯪꯁꯤꯡ ꯉꯥꯛ-ꯁꯦꯜꯂꯤ꯫ ꯇꯥꯉꯒꯣꯢ ꯑꯣꯅꯈ꯭ꯔꯕ ꯌꯨꯝ-ꯀꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯟ-ꯊꯨꯝ ꯀꯌꯥ ꯍꯟꯖꯤꯟꯖꯕ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯂꯥꯟꯅꯥ ꯃꯔꯝ ꯑꯣꯏꯗꯨꯅꯥ ꯃꯐꯝ ꯈꯉꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕ ꯆꯍꯤ ꯅꯧꯔꯤꯕꯤ ꯅꯨꯄꯤꯃꯆꯥ-ꯅꯨꯄꯥꯃꯆꯥ ꯌꯥꯑꯣꯅꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯃꯔꯤ-ꯃꯈꯣꯡ ꯐꯪꯕ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯐꯃꯨꯡꯗꯥ ꯇꯨꯞꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯆꯉꯁꯤꯜꯂꯛꯇꯨꯅꯥ ꯍꯤꯡꯍꯠ-ꯍꯤꯡꯍꯠ ꯍꯠꯂꯝꯕ ꯌꯥꯑꯣꯅꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯄꯥꯉꯒꯣꯡꯅꯒꯥ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯑꯔꯣꯢꯕ ꯃꯊꯧ-ꯃꯉꯝꯅꯆꯤꯡꯕ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯈ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯀꯨꯝ ꯑꯣꯜꯂꯛꯄꯒꯤ ꯐꯤꯔꯣꯢ (ꯁꯝꯕꯠꯁꯔꯤꯛ) ꯅꯆꯤꯡꯕꯗꯤ ꯂꯩꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃꯠꯇꯒꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯑꯣꯏꯔꯒꯁꯨ ꯏꯂꯦꯛꯁꯅꯗꯤ ꯏꯂꯦꯛꯁꯅꯅꯤ, ꯌꯥꯢꯔꯣꯡꯅꯥ ꯌꯥꯢꯔꯣꯡ, ꯁꯕꯤꯔꯥꯢꯅꯥ ꯁꯕꯤꯔꯥꯢ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯃꯃꯤꯠ-ꯃꯅꯥ ꯇꯨꯛꯊꯔꯒꯥ ꯃꯋꯥ-ꯃꯈꯣꯂꯒꯥ ꯅꯧꯊꯔꯒꯥ ꯚꯣꯇꯀꯤ ꯚꯤꯛꯁꯥ ꯅꯤꯗꯨꯅꯥ ꯊꯣꯡꯖꯤꯟꯗꯥ ꯂꯦꯞꯂꯕꯁꯤꯡ ꯂꯨꯁꯃꯗꯥ ꯁꯨꯞꯄꯥꯏ ꯄꯥꯌꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯃꯈꯣꯡ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯇꯥꯗꯅꯕ ꯑꯉꯝꯕ ꯄꯥꯉꯒꯜ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯏꯟꯊꯣꯛꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯦꯞꯂꯁꯅꯨ꯫

নানো কেরিয়রশিংদা হাপচিল্লবা চীন্না চাননবা স্মার্ট ইন্সুলিন : ইন্সুলিন পীবগী অনৌবা কাঙলোন

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

ঙসিগী মালেমদা দাইএবিটিসনা নারবা মী মিলিয়ন ৪২৫ মুক লৈ। মখোয়দুগী মনুংদগী মিলিয়ন ৭৫না মশানা ইন্সুলিন নুংতিগী কাপচরিবা অনাবশিংনি। সিরিঞ্জ শীজিন্নবা নৎত্রগা ইন্সুলিন পম্প শীজিন্নদুনা ইন্সুলিন কাপ্পগী খুদোংচাদবশিং লৈ। অদুনা UiT Norway's Arctic University গী থিজিন-লূপ অমনা গুলিগুম্না য়োৎপা য়াবা ইন্সুলিন পুথোক্লবগীদমক থিজিন্দুনা লাকখি। মদুগী মহয় ওইনা চাবা য়াবা স্মার্ট ইন্সুলিন অসি পুথোকপা ঙমখিবনি হায়না *নেচর নানোটেক্নোলোজিদা* হন্দক্তা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমনা হায়রি।

Peter McCourt

নৌনা পুথোরক্লিবা ইন্সুলিন অসি গুলি ওইনা নৎত্রগা চোকোলেট অমগী মনুংদা ফাওবা হাপচিল্লগা চীন্না চাবা য়াগনি হায়রি। মসিগী মনুংদা ইন্সুলিন অদুবু য়োমশিল্লিবা য়াম্না পীক্লবা নানো-কেরিয়রশিং য়াওগনি। পার্টিকলশিংসি মীওইবগী শম্না অমগী থাবগী চাংদুদগী শরুক ১০,০০০ মুক হন্থগনি; অদুনা অসুক্কী মতিক পীক্কনি মদুদি অচম্বা মাইক্রোস্কোপ অমনা ফাওবা উবা ঙম্লোই। অসিগুম্বা মওংদা ইন্সুলিনবু চাবসিনা য়াম্না হেন্না ফবা ওই। মরমদি মসিনা ইন্সুলিনবু হকচাংগী খ্বাইদগী দরকার ওইরিবা মফমদুদা য়ৌহল্লি। সিরিঞ্জ অমগী মতেংনা ইন্সুলিনবু কাপ্পা মতমদদি, ইন্সুলিননা হকচাংগী মফম শিনবা থুংনা শন্দোকখি অদুগা সাইদ-ইফেক্ট ফাওবা থোকহল্লি হায়না য়ু আই টি নোরৱে'জ আর্ক্টিক য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর Peter McCourt না ফোঙদোক্লি।

য়ু আই টিগী থিজিল্লোইশিংগা পুল্লগা য়ুনিভর্সিটি ওফ সিদনি অমসুং সিদনি লোকল হেল্থ দিষ্ট্রিক্কী থিজিল্লোইশিংনা চহী খরগী মনুংদা নানো-কেরিয়রশিং শীজিন্নরগা ফিরাক্তা হীদাকশিংবু য়ৌহনখিবা য়াই হায়না উৎপা ঙমখি। মদুদগী মেথদ অসিবু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং য়ুরোপতা হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। হীদাক কয়ামুক্তি চীন্না চাবা অমসুং কাপ্পা য়াই, অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইন্সুলিনবু কাপ্পা নত্তনা, চীন্না চাবা হায়বসি ওইথোক্ত্রি। অসুক কুইরক্লবা মতমসিদা, নানো-কেরিয়র অমা য়াওরবা ইন্সুলিনবু চীন্দা পীজবগী মতাংদা থেংনরকখিবা অয়েৎ-অপন অদুদি চাকখাউ হেক য়ৌবগা নানো-কেরিয়র অসি কায়থরকই; অদুনা ইন্সুলিননা হকচাংগী দরকার ওইরিবা মফম হায়বদি ফিরাক য়ৌবা ইওম ঙমদনা লাকখি। অসিগুম্বা শিংনবা অসি ঙসিদি থিজিল্লোইশিংনা মায়থীবা পীবা ঙম্লে হায়রি।

পিটরনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, ইন্সুলিননা দাইজেষ্টিভ সিষ্টম ফাওদুনা লাকপা মতমদা চাকখাউগী এসিদ অমসুং দাইজেষ্টিভ এঞ্জাইমশিংনা থুগায়খিবদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ইন্সুলিনবু কোটিং অমনা য়োমশিল্লি; অদুনা দরকার ওইরিবা মফম হায়বদি ফিরাক য়ৌদ্রিবা ফাওবদি শাফনা লৈবা ঙম্মী। কোটিং অসিবু ঈদা য়াওরিবা চিনিগী চাংনা হেঞ্জিল্লকপা মতমখক্তদা মথৌ তৌবা ঙম্বা এঞ্জাইমশিংনা ফিরাক্তা থুগাইরবা মতুংদা ইন্সুলিন থাদোরকই অদুগা ফিরাক, তোংশা অমসুং ফেটতা মথৌ তৌদুনা ঈদগী চিনিবু লৌথোকই। মসিগী ৱাহন্থোক্তি, ঈদা চিনিগী চাংনা হেঞ্জিল্লকপা মতমদা ইন্সুলিনবু থুনা থাদোরকই, অদুগা অমরোমদনা ঈদা চিনিগী চাংনা হন্থরকপা মতমদদি ইন্সুলিন থাদোরক্তে হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ সিদনিগী Nicholas J. Hunt না ফোঙদোক্লি।

ইন্সুলিন কাপ্পগী শক্তম

দাইএবিটিস নারবশিংনা তোইনা থেংনগনবা খুদোংচাদবা অমদি ঈদা য়াওরিবা চিনিগী চাং অসিনা খঙহন-হন্থখিবা হায়বদি হায়পোগ্লাইসেমিয়া থোকপা অসিনি। অদুবু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং য়ুরোপকী থিজিন লূপ অসিনা ইন্সুলিনবু নানো-কেরিয়রশিংদা হাঞ্জিল্লগা চীন্দা চাবগী থৌওং অসিদদি হায়পোগ্লাইসেমিয়া থোরকপা য়াবগী চাংসি য়াম্না হন্থনা লৈ। মরমদি ইন্সুলিন অসি চিনিগী চাংনা হেঞ্জিল্লকপা মতম খক্তদা থোরকই, হায়বদি চিনিগী চাং নেম্লকপা মতমদদি থাদোরক্তে।

দাইএবিটিসকী অনাবা লৈত্রিবা মী অমদা, ইন্সুলিননা তৌরিবা থবক অদুগা চপ মান্নবা মওংদা লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা অনৌবা মওংগী ইন্সুলিন পীবগী মেথদ অসিনসু মথৌ তৌই। পাঙ্ক্রিজনা পুথোরক্লিবা ইন্সুলিননা অহানবদা ফিরাক ফাওরগা চৎলি, অদুগা অয়াম্বা শরুক চূপশিনহৌরগা ঈদা য়াওরিবা চিনিগী চাং চানা থম্মী। অনৌবা ইন্সুলিন পীবগী মেথদ অসিদা, নানো-কেরিয়রনা ইন্সুলিনবু ফিরাক্তা থাদোরকই, অদুগা ঈগী ঈচেলদা চঙখিদুনা হকচাং শিনবা থুংখি। ইন্সুলিনবু উনশা মখাদা কাপ্পা মতমদা অয়াম্বা শরুক্তি তোংশা অমসুং অদিপোজ টিস্যুশিংদা চঙখি অদুগা ফেটশিং তুংশিনহল্লকপা য়াই। মসিনা হায়পোগ্লাইসেমিয়া থোকহনবসু য়াই। অনৌবা মেথদ অসিদদি সাইদ ইফেক্টকী চাং হন্থে। মসিগীসু মথক্তা উনশাদা য়েত্তুম্না থিনবগী চৈনা অমসুং নুংঙাইতবা অদুসু লৈহন্দে। অসিগুম্বা মখলগী ইন্সুলিন অসিদি রেফ্রিজরেটরগুম্বা অঙৈংবা মফমশিংদা থম্বগী মথৌসু তাদে হায়রি।

Nicholas J. Hunt

চীন্না চানবা ইন্সুলিন অসি নেমাটোদেশিং অমসুং উচিশিংদা মায় পাক্লা চাং য়েংখ্রে। মতুং তারকপদা, চাংয়েং অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী নেসনল বাবুন কোলোনিদা লৈরিবা বাবুন হায়না খঙনরিবা য়োংগী কাঙলূপশিংদা য়েংখি। চাগদৌরিবা ইন্সুলিন অদুগী মহাউ লৈহন্নবগীদমক থিজিন-লূপ অসিনা সুগর-ফ্রী চোকোলেৎতা হাপচিল্লম্মী। থিজিনবগী থবক অসিদা বাবুন ২০না শরুক য়ারম্মী। মখোয়গী অনৌবা মেথদকী ইন্সুলিন অসিবু চাবা মতমদা বাবুনশিংগী ঈচেলদা চিনিগী চাং হন্থরক্লম্মী।

নুংঙাইরিবা পাউ অমনা, হীদাক অসি চহী অনী-অহুমগী মনুংদা মীওইবদা শীজিন্নবা য়ারগনি হায়বসিনি। মসিগীদমক ট্রাইএল অসি মীওইবদা কুমজা ২০২৫দগী হৌরগা Endo Axiom Pvt. Ltd. না লুচিংদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না হন্টনা ফোঙদোক্লি। ক্লিনিকল ট্রাইএল অসি ফেজ অহুম থোক্লা পাঙথোক্কনি। অহানবা ফেজদা, চীন্দা পীবা ইন্সুলিন অসিগী শাফবা অমসুং নাদবা অমসুং টাইপ-১ দাইএবেটিক পেসেন্টশিংদা হায়পোগ্লাইসেমিয়া থোকপগী মতাংদা কূপ্না য়েংশিনগনি । অনীশুবা ফেজদনা, লূপ অসিনা কাপ্লরিবা ইন্সুলিনশিংগী মহুৎ মখোয়গী চানবা ইন্সুলিন অসিনা শিনবা য়ারগদ্রা হায়বগী মতাংদা নৈনগনি। অদুগা অরোইবা ফেজ লোইরবা মতুংদা মায় পাক্লবদি লাক্কদৌরিবা চহী অনী-অহুমসিগী মনুংদা হীদাক অসি শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না লূপ অসিনা থাজবা থল্লি। ●

পূন্সিগী খোঙচৎ মমৈদা

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

খুড়া মনি কুমজা ১৯৩০গী নবেম্বর থাদা খুঙ্গং অমদা পোকপনি। নহা ওইনা নুপীলাল হায়না খঙনবা কুমজা ১৯৩৯গী থৌদোক অমসুং মীয়াম্নদি সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার হায়না খঙনবা লমদম অসিগী মশীং য়াল্লবা নুপী-অঙাং, অহল-লমনশিংদি জপান লান হায়না হেন্না মতমদুগী মীয়াম্না হায়নরম্বনি। হৌজিক্তবু সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার হায়না লাইরিক লাইশু হৈরবা, থিজিন-হুমজিনবা অখঙ-অহে কয়া থোরকপদগী হায়নবগী ৱানি। মতম অদুদি খরা চাউবা চহী ২০দগীনা ২৫ ফাওবদা লৈবা তিনকি-লাইকিদবা মীওইশিংদি উ অৱাংবা কাদুনা জপান লান য়েংনবা য়াওরিবনি। হৌজিক্কী মতমদসু লানসু য়াওদবা মখূৎতা চৈতুপ অমা ফাওবা পায়দবা কয়া অমা ক্লাক্তারোমদা, খুন্দ্রাকপমলোমদা, কাংচুপলোমদা, নুংপাকথাবীরোমদা কুকি ফত্তবনা নোংমৈ কাপশিল্লক্লে হায়বদা মখূৎতা খূৎলায় পায়দনা ময়ামগী মরক্তা মতেং পাংবা, চেনবা-চোঙবা য়াওদবা নত্তে। মতমদুগী উথক কাদুনা লান য়েংবা কাঙবুনা বেলুন পাইরক্লে বোম থাধরক্লগনি লৈনুংদা লোৎলো হায়দুনা লাউবা ঙসিগী খূৎলায় য়াওদনা চেন-চোঙলিবা কয়ানা পাউ মথং-মথং য়ৌনখিবা মতম মতমগী অহোংবনি, থবক-থবক্কী মখা পোনবনি।

খুড়া মনি লৈকায়গী খুড়া মনিনি। মমিংদি মনিখক্তমক কৌবনি অদুবু মতম অদুদদি ভাবী, কাকা, মম্মি, দেদি অমা ফাওবা চৎনরমদে। ইপাগা পোকমিন্নবা ময়াম্বনা ইপলথৌ, ইপলথৌগী নুপীনা ইমাবোক, মচিল-মনাও, তাচৌ-ইতৈমা, মবুংগী নুপীনা ইনম্মা, ইপাগা পোকমিন্নবা নিঙোলশিংনা ইনে, ইমাগী শাগৈগী মবুং-মৌপ্পা পূন্নমক্লা মান্মা, অহল নহা মথক মখা নাইনা মামহল, মাময়াই, মামতোন, ইনেহল, ইনেয়াইমা, ইনেতোন, মচে-মচল লৌবা নুপাশিংদনা মশেন-মবাই, নিঙোল ওইবীশিংনা ইতে অমদি ইনাও, মচা নিঙোল লৌরবা নুপাদু নিঙোল মপাগী মমাক নুপানি, মমা ওইবীশিংগী ময়া নুপানি। অমরোমদা অমুক মচানুপানা পুরকপা নুপীদু নুপাগী মপাগীনা অমসুং মমাগীনা মমৌনি। পিবা খরা য়াম্না ৪/৫ পোকপা মচিল-মনাওশিংগী মচাশিংগী মিঙ্গৌসু য়াম্না ফজবা মিঙ্গৌনি। মচিল-মনাও, পিবা মশেল মরক্তা ময়াম্বা খ্বাইদগী অহলদা তাদা অহলবু তাধল, য়াইমদনা তাদা য়াইমবু তয়াই, মচানুপা অহুমশুবদা তাদা অতোনবনি হায়দুনা তাতোন অসুম্না থকখা নাইনা য়াম্না ফজবা পরিং অমদা চথরম্মী। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা নিঙোলনা য়ুম্নাক শাগৈ ওনখিবগী অহল-লমনশিংগী মফমদা থম্বা লমচৎ শাজৎ, থৌগল্লোন চহী হংনরগা ঙাই-শেন্দুদা ইবাই-ইশেন অমদি ইচে-ইচলনি। চপ মান্নে নুপা ময়ূম, নুপী ময়ূম চহীগী মতুংইন্না মথং-মথং ঈচেল নাইনা চেন্থরকপা মিঙ্গৌ-থাগৌ য়াম্না ফজনা থকসি-খাসি নাইনা মীতৈ অহল-লমনগী পরিং পথাপ নাইরক্লা লাকখিবনি। কনা-কনাগুম্বা অহল লমন মচা পিবা অহানবা পোকপা মচাদু নুপাবু ওইরবা যাত্রা হায়দুনা কৌবসু য়াওদবা নত্তে। মপুবোক-মবেনপোক ওইবশিংনা শাগৈ মরী তৎলরোই হায়দুনা হরাওজবসু কোঙ্গাইনি। মহৌশানা মমা-মপা ওইবশিংনা মচা মমৌবু অহানবা পোকপা নুপা ওইহন্নীংবা ঈশ্বরগী মফমদা নিবা অসি ওইবা ওইদবনা অমনি, অপান্বদি মসিনি।

ময়ামগী খুড়া মনি মচিল-মনাও অনীদনি। ময়াম্বা অমগা মখোয় অনীদা পোকপনি। জপান লান্দা মহাক পুংকক চাউরে। ষঞ্জেন-ষণঙাকপা ঙম্লে হায়। ইম্ফালদা বোম থাদরে। মোইরাংদা কাপ্পরে হায়দুনা অদুদগী অদুদা লাঞ্জেন্নখ্রে। চানবা-থক্লবা পোৎ য়ৌরক্ত্রদনা উনা, মনা-মশিং হিংনা চাবা ফাওবা উহৌবা মীগী পাউদম লৈখি। ময়াম্বনা পোকপা মচাশিংনা মাবু খুড়া খক কৌবা নত্তনা খুড়া য়াইমা, খুড়াতোন কৌদে। মমিংগা মিঙ্গৌগা পূন্না খুড়া মনি হায়না অদুমক কৌদুনা লৈকায়গী অহল ফাওবনা খুড়া মনি কদাই চৎলিনো, চাক চারবরা, কমদৌরি, নুংঙাইরিবরা হংবা মতমদা খুড়া মনি লোইনা নাপলগা কৌবা ঙাঙবা ঙাক্তনি।

নোংমগী অয়ূক অমনি খুড়ামনি লাইরিক লাইশু য়াম্না তমহৌদ্রবসু ঙসি ঙসিমক ফোঙনরিবা পাউচে মশাগী চহী ১০০ য়ৌরক্কদৌরবা ফাওবা ময়েক শেংনা পায়। রেদিও পাউ মুন্না তাই। মহাক মচা পিবা অনীদনি, নিঙোল য়াওদে। পিবাশিং মশু লোইনা ফংলে। খুড়া মনিগী মচিন্দগী ফত্তবা ৱাহৈ অমা ফাওবা তাদে, মীৱা ঙাঙদে, কলক মীহৌবা য়াওদে। মাগী শূফম থোকপা থবক শূজবনা মাগী মথৌনি। খুড়া মনি ৱাকচীং থাগী থামৈদা মখোয়গী থোঙ্গালদা লেপ্লম্মী। কৌরকই, কদোমদা লেংলুবনো ইবুংঙোবু । কয়াদা থুমখ্রবা ৱাহৈগী অমৃতনো মিং কৌরক্তে। ঐগী ফাহৌদ্রবা চিনবানগী ব্রেকনা হায়দোক্লুই খুড়া মনি অৱাং থংবদা লৈবা ইবোতোনদু উনজরুবনি। মাদি মী অমা কৌবা-ঙাঙবা মতমদা ইবুংঙোনা মাঙ থাবনি। ঐসু থবক কয়া লৈতবগা খুড়া মনিনা চঙলকখো লাওদনা খুড়াখোয়দা ঙাইহাকসু ফমদুনা ননাওশিংগী ইমৌশিংনা লোনবা চা থকখিসিদনা হায়রকই। হোয় হোয় খুড়া মনি নচা লাকচগে হায়দুনা মানা মাঙ থারগা ঐনা তুং ইল্লি। চা থক্লবা মতুংদসু মাগী পূন্সিগী খোঙচৎতা থেংনখিবা মতমদুগী অৱাবা-নুংঙাইবা কয়া, লৈঙাক্কা মীয়ামগা লৈনবা মরী, ঙসি ওইরিবা ফীভম, হৌজিক থেংনরিবা কাঙলূপকী ৱাখল তানদবা কয়া শোয়রিবনা কনানো, লাল্লিবনা কনানো খঙনা চুন্না হায়দবা নত্তে। অদুবু ইবুংঙো খঙনা-খঙনা, উনা-উনা, তানা-তানা করিদি তৌরুগনি। তৌগদৌবা মীনা তৌদ্রবদা মাগী-মাগী মফমদা শিন্নরিবা থবক অদুগী ৱাহন্থোক খঙনা শিনফম পাংদ্রবদা ইপা-ইচানা করি তৌরুবা ঙমগনি। মসিনি ইবুংঙো হায়খিবা ৱা ঙাকউ, লমচৎ চুম্মু, চীঞ্জাক ফত্তবা চাগনু। খুড়াদি চহী হৌখিবগা লাক্কদৌবগা য়াম্না খেন্নরে। হয়েং নখোয় খঙলক্কনি।

ঙসি ওইরিবা মণিপুর অসিবু ঙসাই অয়ূক শেন্বরা, ঙাঙলমদাইদা-তৌরমদাইদা তিন য়োৎথরগা ঙাঙবা-শকপা ফৈ। ইপানা শারম্বা মীতৈ য়ুমজাও ঐনা ঈদু লৌথোক্লগা ফিভম কায়হন্দনা জিজ্ঞনা মহুৎ শিল্লিবা পূন্নমক কায়দনা থল্লিবসি লৈঙাক্লিবা অমদি লৈঙাকপু মতেং পাংলিবা পূন্নমক্কী মথৌনি। পূন্সি খোঙচৎ লোইরমদাই, পূন্সি মমৈ ওইরক্লবা মতম হৌখিবা জপান লান মতুংদগী ঙসি ফাওবদা তারিবা মীকপ মীরাওখোল, মীহাৎ-মীপূন, লন-থুম কয়া মাঙহন-তাকহনবীরিবা পূন্নমক অসি থেংনরক্ত্রি উরক্ত্রি। মচা কায়নরবা মমা-মপা, মপুরোইবা কায়নরবী নুপী কয়া, মশাগী চহী কয়া চঙনা শেমগৎ শাগৎচরকপা ময়ূম মকৈ উৎ, মৈতাল ওনখ্রবা পূন্নমক উরগা-তারগা য়াম্না নুংঙাইতে। ইবুংঙো খুড়ানা হায়গদৌবদি নোংশা ফাবা ঙমগদৌবা মীদা নোংশা ফাহল্লু, লোক্তাক পাৎকী ৱাইগৌ মরক্তা থরোই খুনগদৌবদুদা থরোই খুন্দুনা শেন্দাল লম্বী ওইদুনা পূন্সি হিংবা কায়দে। থরোই খুনবদুনা নোংশা ফাগে হায়রবদি ফাবদি লায়রদনা ময়া কারকপদা অমাংবা থোরক্কনি হায়না খুড়া মনিনা লীবা ৱারী, পাউতাক তারগা হন্নবা মাঙ্গোলদগী কুমথরকই। হায়হৌই ইবুংঙো মীখল হৈয়ুকো, দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াদা মীখল হৈত্রবদি থা ৮সি কৈসু নত্তে। ঙসিগী খুড়াগী য়ূম্ফমসি ফাওবা মাঙখিবা য়াইকো পূন্সিগী খোঙচৎ মমৈ অসিদা। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা'
(নিংথৌরোল লম্বুবা)- (৭৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ৱাহৈ ৱাতা খাইনা । খামনা হায়ববু খামঙমদে। থোংঙাই তেমফাবনা। ৱাতেম ৱাহৈনা খামনা ৱাতেমঙদরিঙৈদা। মৈদিংঙু আয়াঙবনা। হুয়েল লালতাল লালচং লালদারকয়ে। মদাইরেম শামুলনবশিংনা শারেল মকোক মচি কিশিননরিঙৈ। হুমাং ঈচোৎলিঙৈ। হুমাং মায়থোং শেনকোয়ঈ। লোকলৌ হুমাং নমচোৎ ঈ। হুমাং হকচাং লুপপা ঈ। হুমাং শমখোঙ থুমনা ঈ। মায়থোং চুবা শাইচুম চেনথা ঈ। হুমাং ঈশৌ তাকতরিঙৈ। মৈদিংঙুনা লালতাল লালচৎ থুরকয়ে। য়াওরৌ শাসু পুমনমক খোমনা মুললকয়ে। হুয়েল লালদা লালসু। মুৎনা লোয়না ফারে। অদু নুমিৎতগীবু। মৈদিংঙু অয়াঙবা শারিচোংবা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) - (꯷꯹)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯋꯥꯍꯩ ꯋꯥꯇꯥ ꯈꯥꯏꯅꯥ꯫ ꯈꯥꯃꯅꯥ ꯍꯥꯌꯕꯕꯨ ꯈꯥꯃꯉꯃꯗꯦ꯫ ꯊꯣꯡꯉꯥꯏ ꯇꯦꯝꯐꯥꯕꯅꯥ꯫ ꯋꯥꯇꯦꯝ ꯋꯥꯍꯩꯅꯥ ꯈꯥꯃꯅꯥ ꯋꯥꯇꯦꯝꯉꯗꯔꯤꯉꯩꯗꯥ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯑꯥꯌꯥꯡꯕꯅꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯇꯥꯜ ꯂꯥꯜꯆꯡ ꯂꯥꯜꯗꯥꯔꯀꯌꯦ꯫ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯁꯥꯃꯨꯂꯅꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯁꯥꯔꯦꯜ ꯃꯀꯣꯛ ꯃꯆꯤ ꯀꯤꯁꯤꯅꯅꯔꯤꯉꯩ꯫ ꯍꯨꯃꯥꯡ ꯏꯆꯣꯠꯂꯤꯉꯩ꯫ ꯍꯨꯃꯥꯡ ꯃꯥꯌꯊꯣꯡ ꯁꯦꯅꯀꯣꯌꯏ꯫ ꯂꯣꯛꯂꯧ ꯍꯨꯃꯥꯡ ꯅꯝꯆꯣꯠ ꯏ꯫ ꯍꯨꯃꯥꯡ ꯍꯛꯆꯥꯡ ꯂꯨꯞꯄ ꯏ꯫ ꯍꯨꯃꯥꯡ ꯁꯝꯈꯣꯡ ꯊꯨꯃꯅꯥ ꯏ꯫ ꯃꯥꯌꯊꯣꯡ ꯆꯨꯕ ꯁꯥꯏꯆꯨꯝ ꯆꯦꯅꯊꯥ ꯏ꯫ ꯍꯨꯃꯥꯡ ꯏꯁꯧ ꯇꯥꯛꯇꯔꯤꯉꯩ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ ꯂꯥꯜꯇꯥꯜ ꯂꯥꯜꯆꯠ ꯊꯨꯔꯀꯌꯦ꯫ ꯌꯥꯑꯣꯔꯧ ꯁꯥꯁꯨ ꯄꯨꯃꯅꯃꯛ ꯈꯣꯃꯅꯥ ꯃꯨꯜꯂꯛꯀꯌꯦ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯂꯥꯜꯁꯨ꯫ ꯃꯨꯠꯅꯥ ꯂꯣꯌꯅꯥ ꯐꯥꯔꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯕꯨ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯑꯌꯥꯡꯕ ꯁꯥꯔꯤꯆꯣꯡꯕ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।